ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯔꯤ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জন্যুৱারী ১০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৮৫শুবা মশীং

# তীলহৌ অমসুং আলুগী মমল হন্থরকপা

## এন দি এ লৈঙাক্না লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙমগদৌরিবরা

*ইন্দিয়াগী* য়ুমথোঙ খূদিংদা তঙাইফদবা পোৎলম ওইনা শীজিন্নরিবা তীলহৌ অমসুং আলুগী মমল হন্থরকপনা লৌমীশিংদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্নহল্লি। তীলহৌ অমসুং আলু থাবনা মরুওইবা শেন্থোক লন্বী ওইজরিবা লৌমীশিংনা হেন্দোক-পাথোকপমক নৎত্রবসু চরা ফাওবদি হেন্দনবা মওংদা শেল তানবা ঙম্লগনি হায়না শাগৎচরম্বা মঙলান পূন্নমক অরেম্বা তারকপগী ফীভমদা লাক্লে। য়াম্না ৱানা মহৈ-মরোং উরগা নুমিৎ খূদিংগী কদায়দা করি শোয়খিগদগে হায়না শেন্নজদুনা লাকখিবা লৌমীশিংনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লগা শেল য়াম্না তানবা ঙম্লগনি খঙ্গরম্বনি। অদুবু আলু অমদি তীলহৌগী মমল কা হেন্না হন্থরকপনা মরম ওইরগা মীঙোন্দগী শেল পুদুনা মহৈ-মরোং উখিবা লৌমীশিং অৱাবগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরে। লৈঙাক্না মিনিমম সপোর্ট প্রাইস (এম এস পি) লেপথোক্লগা লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু থবক ওইনা পায়খৎলকপা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। ইন্দিয়াগী ওইনা হৌখিবা তাঙ্কক্তা ওইখিবা ফীভম নৈনরুবদা লৌমীশিংনা পুথোরকপা পোৎ-চৈগী মমলনা মীখলগী মরায়বক লেপ্পগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। কুমজা ১৯৯৮ দা তীলহৌগী মমল কা-হেন্না হন্থরকখিবনা মরম ওইরগা দিল্লিদা বি জে পিগী লৈঙাক তুখিবনি। কুমজা ১৯৮০গী জেনরেল ইলেক্সনদনা তীলহৌগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী সেন্টরদা পানখিবা চুংশিন্নবা লৈঙাকপু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। লৌমীনা মশীং য়াম্বা লৈবাক অসিদা হন্দক মরক তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রে। লৌমীশিংনা তীলহৌ কিলোগ্রাম অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা লুপা ৮ চঙখ্রগা য়োনবা মতমদনা কিলোগ্রামদা লুপা ১ খক ফংবদগী খোয়শাওনরবা লৌমীশিংনা লন্বীদা তীলহৌ হৈদোক্তুনা হায়ৰে থিংবগী খোঙজং ফাওবা চঙশিনখি। লৌমীশিংনা চহী চুপ্পা ৱানা হোৎনদুনা পুথোরকপা পোথোকশিং মমল হোঙনা য়োল্লবসু মরক্কী শেন্দোং চাবা মীওইশিংনা অহেনবা শেন্দোং পূন্নমক লৌখিবা মরম্না মীয়ামদা মমল হোঙনা ফংহনবদি নৎতে। লৌমীদসু মাঙজবা অদুগা মীয়ামদা মমল হোঙনা ফংহনবসু নৎতবা, মরক্কী শেন্দোং চাবা ললোন-ইতিক তৌবা মীওই খরখক্তা কান্নহনবগী থৌওং উরকপদা লৌমীশিংনা অশাওবা উৎথোরকখিবনি।

তীলহৌ খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা মফম ওইরিবা মহারাষ্ট্র অমদি উত্তর প্রদেশকী লৌমীশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু 'প্রাইস প্রোটেক্সন প্রোগ্রাম' পায়খৎতে হায়না মরাল শীরি। লৌফমদগী পুথোরকপা পোথোকশিং য়োনগদবা মমল লেপ্পীদবনা লৌমী মিলিয়ন ২৬৩ রোম মরক্কী শেন্দোং চাবা মীওই খূজোক খরগী থৌজাল মখাদা হিংবগী ফীভমদা লাক্লে। মুম্বাইগী অৱাং-নোংপোক্তা কিলোমিটর ২৩০ (মাইল ১৪০) লাপ্পা লৈবা হিভারগাওন খুঙ্গংগী লৌমী অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না 'অছে দিন' (অফবা নুমিৎ) য়ৌরক্লগনি হায়বগী ৱাখলদা মমাঙগী মীখলদা বি জে পি শৌগৎখিবনি হায়রি। হায়রিবা লৌমী অসিনা লুপা ৮০,০০০ চঙনা একর ২ পাক-চৌবা লৌবুক্তগী তীলহৌ টন ১৫ পুথোক্লবসু শুপ্পগী লুপা ৩,০০০ ফংখি। লৌমী খরদি তীলহৌ হেকপা অমসুং হোলসেল মার্কেটে য়ৌনা হোনবদা চঙগদবা শেল লৈতবদগী লৌবুক্তা পোথোক পূন্নমক পৎ-পুমদুনা মাঙহন্নবা ফিরেপ লৌখি। লৌমীশিংগী পেন্দবা খোল্লাউমরক্তা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট খরগী এসেম্ব্লি মীখলদা কোংগ্রেসনা বি জে পিবু মরুওইবা ষ্টেট অহুমদা মায়থীবা পীখি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়বা ঙমখ্রবা ষ্টেট অহুম্মক্তা লৌমীশিংগী লোন কোকপীখিবগা লোয়ননা চপ মান্নবা মওংদা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না পার্টি অসিনা সেন্টরদা তকশিনখি। বি জে পিনা হৌজিক ফাওবা লৌমীশিংগী লোন কোকপীবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তাসু নিতিআয়োগকী মকোক রজিব কুমারনা হায়খি মদুদি লৌমী খূদিংমক লোন লৌবা নৎতবনিনা ফার্ম সেক্টরগী লোন কোকপীবখক্না লৌমীশিংগী অৱাবা মপূং ফানা কোকহনবা ঙম্লোই। অদুম ওইনমক বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা হোৎনরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা লৌমীশিংগী অখন্নবা থৌরাং অহুম লৌখৎনবা খন্নখি। য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর মিনিষ্টর রাধা মোহন সিংহসু য়াওবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অদুনা খন্নখিবা ৱাফমশিংদি মশাগী লৌফম লৈজবা লৌমীশিংদা দাইরেক্ট ক্রেদিট পীবা, মিনিমম সপোর্ট প্রাইসতগী হন্থনা পোথোক য়োনখিবা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন পীবা অমসুং লোন কোকপীবা অসিনচিংবনি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক হেক পায়খিবগা রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ অমসুং ছটিসগরদা লৌমীশিংগী লোন কোকপীখ্রবা মতুংদা সেন্টরনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলকখিবনি। থৌরাং অসিনা লুপা ক্রোর লাখ ৩ চাদিং তৌহনগদৌরি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্ল পীগদৌরিবা তেংবাং পূন্নমক মরক্কী শেন্দোং চাবা মীওই খরখক্ল লৌখিগদবা মরম্না লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈরি। মণিপুরগী ওইনসু মতম চানা নোং চুখিদবা মরম্না লৌফম অয়াম্বা ফৌহাম শাৎখিবদগী লৌমীশিংনা অৱাবা মায়োক্লরি। হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্ল অৱাবা তারবা লৌমীশিংগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎলকপা থেংনদ্রি। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনদ্রিঙৈদা লৈঙাক্ল লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মণিপুরগী মরাইবক করি ওইহৌগনি?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ইন্দিয়াগা* য়ুমলোন্নবা লৈবাক অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ, পাকিস্টান্দগী চঙলকপা হিন্দু, সিখ, বুদ্ধিষ্ট, জেইন, পার্সি অমদি খৃষ্টান লাইনীং চৎপা মীওইশিংবু সিটিজনসিপ পীদুনা ইন্দিয়াগী হান্না লৈজরিবা সিটিজন অমনা ফংবা রাইট খুদিংমক ফংহনগদৌরিবা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬না মণিপুরবু মায়কৈ কদোমদা পুগদৌরি হায়বা য়াম্না অকিবগী মশক ওইরবা ৱাহং অমা থোরক্লি। মীতোপ চঙশিল্লকপগী অকনবা শাফু লৈরিবা য়াম্না চরক-চহিংনবা ফীভম ওইরিবা মণিপুরগুম্বা ইস্যু কয়ানা থল্লবা লমদম অমদা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিনা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটসশিংদা ওইহল্লক্কদবা অকিবা অমসুং ইরমদম মণিপুর অসিদা ওইহল্লকপা য়াবা ফীভমশিং কুপ্পা নৈনদুনা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপহৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

রিছোর্সেস লৈজদবগী অৱাবা অমসুং থবক ফংদবগী অৱাবা খক্তা নত্তনা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফৎত্রিবা, হীরম খুদিংমক্তা অৱাৎপা লৈরিবা মণিপুরগুম্বা লমদম অমদা মীতোপ মীয়ানচানা মনীং তৌররবদা ইরৈচা পূন্নমক অৱাবগী ইপাক্তা লুপহৌগনি। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী মাগী মাগী মনাৎকী ওইনা চৎনবীদা শিংনরক্তুনা ত্রিপুরাদগী ত্রিপুরি মুৎখিবদৌনা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপশিং মুৎলোই হায়নীংঙাইসু লৈতে।

মতাংসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লাইনীংগী অখুবা মীৎয়েং য়েংদুনা, পোলিটিকেল গেম শান্নদুনা বিল অসিবু শৌগৎপা থোক্লবদি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংবু মৈরক্তা লংশিনবা ওইনা থোক্কনি। নেসনল অমসুং রিজনেল পার্টিশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিং য়াওনা লমদম অসিগী মীপূম খুদিংমক্তা বিল অসিগী মনুংগী মচাক কুপ্পা নৈনহৌদুনা, বিল অসিনা ওইহল্লক্কদবা ফীভম খুদিংমক খন্নদুনা লমদম অসিগী তুংগী ৱাখল থমদুনা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌহৌবনা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

*অদোমগী - খুলাকফম অলটাব অলি, অৱাং লৈকায় ক্ষেত্রিগাও, ক্ষেত্রিগাও*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭

১। মোংবাহনবদা লৈরিবা মহাবলিগী হনুমান মুর্ত্তি অসি শাখিবা নূং অদু সনা কৈথেলদা য়ুংলম্বা নূংনি।
(ক) নূং অদু করম্বা চহীদা মোংবাহনবদা চিংশিনখিবগে?
(খ) হনুমান লাইশঙদু চহীদুগী করম্বা থাদা শঙ্গাখিবগে?

২। ''পীক্লবা ৱাহৈ অহুমসে/পূক্তা চেৎনা থমজিল্লু/নীংবা, চান্নবা, থাজবা।'' ৱাহৈ পরেং অহুমসি কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু?

৩। ''মমানা চাকখুমদা চঙখিদুনা/চাকথোং চফুদো পুথোক্লক্লগা/কপ্পিবা অঙাংদুদা পায়দুনা শান্নহল্লি।'' পরেং অহুম অসিনা 'অতিয়াদা মুশুকমুবা চাকথোং চফু পাইরে' হায়বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অসিবু ইবা মপানগী অইবদুগী মমিং হায়য়ু?

৪। ''ও: তনদন/ঙাল্লা-মুৎলা, ঙাল্লা-মুৎলা/করম্বা ইঙ্গিৎনো নঙনা ঐঙোন্দা পীরিবা?'' পরেং অহুমসিনা সোরোখাইবম গম্ভিনীনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদু য়াওবা লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু?

৫। অতল বিহারী বাজপায়ীনা ইরম্বা 'ইক্কিস কবিতাএং' হায়বদু মৈতৈলোন্দা হন্দোকখ্রে। কনানা হন্দোকপনো হায়য়ু?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

# বোসেম ৱাথোক করম' থোকহল্লোই!

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

*চহী*-পরিক্ষাগী ফল (এন্নুয়েল এগজাম রিজল্ট) হায়বসি মহৈরোয় অমনা খ্বাইদই খৌরাংনা ঙাইজবা পুংফম অমনি। অদুগুম্বা রিজল্টশিংগী মনুংদসু হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসন রিজল্ট, মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা খ্বাইদই মরু ওইনা লৌনরিবা অমনি। চাংয়েং (এগজাম) সিদা মকোক মথং তারকপা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা অমদি স্কুল অদুবু লৈপাক্না ইকায়খুম্নে। মখোয় অদু নোংমা শোয়দনা মশক নাইবা মী অমা ওইরক্লগদবগুম খন্নে পূন্নমক্না।

পরিক্ষা ফেল ওইরে তাবদা মথন্তা থৱায় থাদোকচবা মহৈরোয় য়াওরিবনি। নম্বর অমা হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপনা অঙাং অমগী মহৈরোয় ওইবই করিয়রদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহনবা য়াই। 'য়েস/নো' না অচুম অরান লেপ্পা ওবজেক্টিব টাইপকী ৱাহংশিংগী পাউখুম ওইবা নত্তবদদি এগজামিনর অমনা পীবা মার্ক, অতোপ্পা এগজামিনর অমনা মান্নদনা পীরকপা য়াই। হায়লি কম্পিটিটিব ওইবা এগজামগী অন্সর এভাল্যুয়েসন'দা হেদ-এগজামিনর হাপলিবা-মরমদুগী ওইরমগনি।

মহৈরোয় অমনা ফংবা মার্ক অদু মশানা ফংনি খঞ্জখিবদুগা চানদে, মাগী অন্সর-স্ক্রিপ্টতু নৌনা অমুক য়েংবীয়ু (রি-এভাল্যুয়েৎ তৌবীয়ু) হায়বসি অতে ষ্টেটশিংগী য়ুনিভর্সিটি/বোর্দশিংদদি মমাঙঙৈদই চৎনরকই। মণিপুরদদি থেংনদে। গোরখাপুর য়ুনিভর্সিটিদা ঐনা এগ্রী তম্লিঙৈ, চহী নিফুনিথোই-হুমদোইগী মমাঙদা, এগ্রোনোমি পেপরদু ৫০গী মনুংদা ১৩খক ফংদুনা ফেল ওইরে লাউথোরকখি। ঐগী নোট'সতু শিল্লগা এগজাম প্রিপ্যার তৌখিবা মরুপশিংদুনা ২৭/২৮ ফংলগা ঐনা...। ঐহাক ইকায় নুংশি য়ানখি। ইংলিস'তা এম এ তম্লিবা 'লালচন্দ দুবে' না ইনশিন্দুনা রি-এভাল্যুয়েট তৌবীনবা দরখাষ্ট থারুবদা ৪৩ ফংলে, কোন্না অমুক লাউথোরকখি (টেব্যুলেসন তৌবদা ৪৩৫১৩ ওইনা শিনগৎপা ওইরমখি) মদুনা রিজল্ট অদু মথক মখা ওন্থোকখি।

অসিগুম্বা অশোয়বা তানফম, মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী মফমদা মাঙলম্লোই থোক্লুম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অদুবু রি-এভাল্যুয়েসন পোলিসি লৈতবনা, 'কনাগুম্বা মহৈরোয় অমদা পীবা মার্ক লাল্লমদুনা শেমদোকখ্রে' হায়বা ৱাথোক নৎত্রগা থৌদোক অমত্তা মণিপুরদা থোকপা থেংনখিদ্রি। অদুবু, কুমজা ২০১৮ - হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেটকী এগজাম রিজল্ট'তা পেন্দ্রবা মহৈরোয় অমগী মমা-মপা'না, মচাগী অন্সর-স্ক্রিপ্ট'তা মার্ক শেমদোক-শেমজিন তৌখিদুনা নম্বর হন্থনা ফংহল্লে হায়বা ৱাকৎ অমা মিদিয়াগী খূত্থাং'দা থাঙ্গৎলকখি। চিংনবা অন্সর-স্ক্রিপ্ট অনীগী মার্ক খূৎপীদু রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্টকী মখাদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েংলুবদগী সবজেক্ট অনী অসিদা মার্ক মরি-মরি হন্থনা পীরে নৎত্রগা হন্থহনখ্রে হায়না ইফোং ফোংনা শীংনরকখি। মহৈরোয়শিংগী লূপ অমা ওইরিবা 'দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলায়েন্স ওফ মণিপুর' না অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎলকপদগী ৱাথোক অসি চাউথোরকখি। গভর্ণমেন্ট তূমিন লৈবা ঙমখিদে। ৱাথোক অসিগী অচুম-চুমদা থিগৎনবা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমখি। সেন্সস ওপরেসনগী দিরেক্টর এম হরেকৃষ্ণ'বু চ্যেরমেন হাপখি। হৌজিক্কী অমসুং হান্নগী এদিসনেল দিরেক্টরশিং (এদ্যুকেসন -এস)-টি গীটকুমার অমদি দল্লিয়ু চন্দ্রকুমার'বুনা মেম্বর সেক্রেটরি অমসুং মেম্বর ওইনা এপোইন্ট তৌখি। থা অমগী মনুংদা লানখৎকদবা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট অদু নুমিৎ ৭নি চোন্থরগা ওগষ্ট ২৪, ২০১৮দা লানখৎখি। হোবে হোবে থা অমগী মনুংদা রিপোর্ট পীগদবনি হায়রগা রিপোর্ট অদু লানখৎখ্রবা মতুং থা মরি হৌখ্র'ফাও করিমত্তা তৌদনা তূমিন লৈশিনখিবা গভর্ণমেন্ট, করিগীনো? ঈহৌ অমা শাগৎলম্বা দেসাম (মহৈরোয়শিংগী লূপ) সু রিপোর্ট'তুদা করি হায়রিবগে - নোংমতসু হংলকখিদে। 'হুয়েন লানপাউ' পাউচে অসিনা তূমদুনা লৈখ্রবা ইস্যু অসি খঙহৌদনা পেন্দোরাগী উপু হাংদোকপগুম হাংদোরকপদগী মতাং চাননা সেকেন্দরি বোর্দ অসিগী সেক্রেটরি অমদি কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন অনীবু, দিপ্যুটেসন - মতম শুদ্রিঙৈ, মশা মশাগী দিপার্টমেন্ট'তা হলহনখিনবা লৈঙাক্কী য়াথং (ওর্দর) থোক্লকখি।

থবক অনী মতাং চানখিবা অসিনা লৈঙাক্কী থৌদৌ অসি ওন্থোকপা মওং অমদা উহল্লে - রিপোর্ট অসিগী রিকম্মেন্দেসন মতুং ইন্না ওফিসর অনী অসি মশাগী ফমশিং অসিদগী থাংদোকখিবরা? মদু ওইরম্লগনা, অদুগুম্বা শক্তিদু কম্মিটিসিদা লৈঙাকসিনা পীবরা? ইনক্বারি অসি তৌনবা য়াথং (ওর্দর) অমা থোক্লিবদুদা য়াওরিবা 'টর্মস ওফ রিফরেন্স' (তৌগদবা থবকশিং) অদু করিনো হায়বনচিংবা খঙদনা, ৱাথোকসিগা মরী লৈনবা কম্মেন্ট পীনীংই হায়দুনা পঙপী পীবা অশিঙবা থৌশিল ওইরোই। এদ্যুকেসন কম্মিস্নর'না জুলাই ১৫দা থোকপা ওর্দর অদুদা পল্লিবা টর্মস ওফ রিফরেন্স - মখাগী ৱারোল অসিনি - (১) মার্ক হন্থহনখ্রে হায়না ৱাকৎলক্লিবা কেন্দিদেটতুগী অখন্ননা, ৱাকৎলক্তবশিংদুগীনা চাউরাক্লা ৱাকৎ অদুগী অচুম চুমদ খঙদোকপা অমদি কমদৌনা ৱাকৎ অদু লাকখিবনো থিগৎপা; (২) মার্ক হন্থহনখ্রে হায়রিবদু বোর্দ অসিগী ওইবা চৎন-কাঙলোন, আইন অমগী এক্টকী মতুং ইন্না তৌখিবরা নৎত্রগা পাউখুম চে অদু য়েংলিবা অমদি থবক্তুদা চেন্নরিবশিং অদুগী মরন্নাইগী ওইবা ইন্টরেষ্ট'তা তৌখিবরা খঙদোকপা; (৩) বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন'না খুদুং ইল্লিবা পরিক্ষা পাঙথোকপগী মওং অমদি পাউখুম চে য়েংবগী মওং অসি সী বি এস ঈ অমদি অতে ষ্টেট বোর্দশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংথোকপা; (৪) মতুংদা পাঙথোকপা চাংয়েং (পরিক্ষা) শিংদা অসিগুম্বা মখলগী পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবগী পাম্বৈ পুথোকপা; (৫) অসিগুম্বা মীয়ামগী ওইবা এগজামিনেসনশিং হেন্না ফজনা, মওং চুম্না পাঙথোক্লবা থৌরাং-থৌশিল হোংদোক্লবগী পাম্বৈ পুথোকপা অসিনচিংবনি। য়াথং অসিগী মতুং ইন্না ইনক্বারি কম্মিটি অসিদা মার্ক শেমদোকপা কনানো থিদোক্লবা অমদি করি চৈরাক পীগদবনো হায়বনচিংবগী রিকম্মেন্দেসন পীনবা শক্তি শিন্নদে।

কম্মিটি অসিনা গভর্ণমেন্ট'তা লানখৎখ্রবা রিপোর্ট অসিদা করি করি য়াওরিবগে? পব্লিক দোক্যুমেন্ট অমা ওইদ্রিবা, লৈঙাক্কী খূৎতা লৈরিবা অরোনবা দোক্যুমেন্ট অমা ওইরিবনা ৱাফমসিদা দিবেট তৌনবা অচুম্বা ফংলোই, তৌদবা ফগনি। অদুবু, ৱাফমসিগা মরী লৈননা মিদিয়া হাওস অমনা শাংলবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে, কনাগুম্বা লূপ অমনসু ইনক্বারি কম্মিটি অসিগী রিপোর্ট য়ানীংদবা ৱারোল ফোঙদোকখ্রে। ফোঙদোকত্রিবা রিপোর্টসি খঙলবগী মওংনি। রিপোর্ট'সিদা অপান্ননা পনবা ৱারোল অমত্তদি ফোঙদোক্তে। গভর্ণমেন্ট'না লৌখৎলকপা খোঙথাং বোর্দকী সেক্রেটরি অমদি এগজামিনেসন কন্ট্রোলর শিন্দোরকপা অসি ইনক্বারি কম্মিটি অসিগী রিকম্মেন্দেসন'দগী তৌবগুম্না ঙাঙনরকই।

রিপোর্ট অসি কনানসু উদ্রি। রিপোর্ট অদু উরবা গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটি'দুনা লৌখৎলকপা খোঙথাংসিদগী ঐখোয়না 'সিমদি ৱাখলনা শাগৎপা য়াই মদুদি, মার্ক হন্থহনবা নৎত্রগা হেনগৎহনবা (শেমদোকপা) গী থবকসি 'তৌরম্বা থেংনরে' হায়বগী ৱাফম অমা ইনক্বারি রিপোর্ট অসিদা য়াওরম্বা য়াই। মসিদই হেনবা অতে করি ৱাফম য়াওরমগদগে হায়বা স্পেকুলেসন অদুদি তৌদবনা ফগনি। ইনক্বারি কম্মিটিনা মথৌ পাঙথোকপদা কনাগুম্বা ওফিসর খরনা কো-ওপরেসন পী/পীদে হায়বগী ৱাফম অমসু কন্না ঙাঙনরি। ওইরম্বা য়াই 'অচুম্বা'। ওফিসরদুনা খল্লমগনি - 'ইনক্বারি কম্মিটি অদুনা মথৌ ৱাংমা লানশিল্লকপনি য়াথংদু ইনবা মথৌ তাদে'। ফম তারবা সেক্রেটরি জয়কুমার'নসু ফোঙদোকখি 'য়াথংদু মানা নম্ফুনা ইলহনবা ঙমদে'। মতাংসিদা হায়নীংলকই - অসিগুম্বসি থোক্তনবা 'ফুলস্কেল ইনক্বারি' অমা তৌরো, অরানবা অমদি তৌরম্বই খুদম ফংলবনা, অদুগুম্বা ইনক্বারি কম্মিসনদুগী মমাঙদনি ওফিসর মচাদুদি তোকখ্রসি মন্ত্রিফাওবা লাক্কনি, লাক্তবা ঙম্লোই কনাসু ... অচুম্বসু ফংগনি, অরানবা তৌবা মহাকসু চৈরাক শোয়দনা ফংগনি। টর্মস ওফ রিফরেন্স'তা য়াওরিবা ৱারোলশিংদুবু শুনা তৌবা তারবা, ফুল-ফ্লেজদ-ইনক্বারি অমা নত্তনা কম্মিটি মচা অমনদি ওইথোক্লোই।

থোকখ্রিবা থৌদোক ময়ামসিগী চাউরাকপা মওং-মতৌ পুৱারী নৈনরুবদা লোজিকেল মাইন্দ-সেট লৈবা অমনদি শোয়দনা হায়রক্কনি- অসিগুম্বা থৌওংসি মমাঙদসু শোয়দনা থোক্লমগনি, খঙহৌদবই ৱাতনি। নহানমখৈ খঙলমদবা, হন্দক খঙলকপা ৱাফম অমনি - বোসেম'দা রি-এভাল্যুয়েসন পোলিসি লৈ, অদুবু, রিজল্ট লাউথোক্তুনা খঙহনখ্রবা মতুংদদি রি-এভাল্যুয়েট তৌবা য়াদে। তাবদা নোক্লোইদবা কনানো? রিজল্ট অদু হায়দোক্ত্রিঙৈ, করিদা কয়া ফংলে? মার্ক অদু পেল্লি/পেন্দে কনানা খঙদৌরিবা? সী বি এস ঈ'দসু য়েংবীয়ু - রিজল্ট হায়দোক্ত্রিঙৈ রি-এভাল্যুয়েসন এপ্লিকেসন থাবা য়াবরা? রি-এভালুয়েসন হায়বসিবু করি হায়রিবনো?

হৌজিক্তি নাখৈ শেংলে। বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন্দা থোক্লিবা ৱাথোক ময়ামসি অফবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈতবদগীনি। মহৈরোয়শিংদা লেকচর পীবগী প্রোফেস'দা লাক্লবা অমদা কদায়দগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সপরিয়েন্সনো? এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর অমবু থৌ পুহনসি। য়েংসি করি অহোংবা লাকপগে?

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৫১

**- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -**

*মার্চ ১৯, ২০০৯ :* মণিপুর মীয়ামগী খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা থৌদোক অমা ওইখিবা কসোম খুলেন সব দিভিজনগী এস দি ও থিংনাম কিষন, রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী মন্দন য়ুম্নাম তোকেন অমসুং দ্রাইভর অরিবম রাজেন শর্ম্মগী মীহাৎ অদুদা চেন্নবশিংবু আইনগী মতুং ইন্না ৱায়েল চত্থবা য়ানবা এন এস সী এনগী কষ্টদিদগী মণিপুর লৈঙাক্তা শিন্নহল্লক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিন্নবা বিধান সভাগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা হাওসনা ৱারেপ লৌখ্রে।

এম পি পিগী লেজিসলেচর ৱিংগী লুচিংবা এম এল এ ও জয়না এস দি ও ডা. থিংনাম কিষন অমদি মহাক্কী ষ্টাফ অনীবু মীহাৎ থীনা হাৎতোক্লম্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা খন্ননবা হাওসতা পুখৎলকখিবা সোর্ট দ্যুরেসন দিস্কসন অদুবু স্পিকর ডা. সাপম বুধিচন্দ্রনা জেনরেল দিস্কসন ওইনা ওন্থোক্তুনা হাওসকী মেম্বরশিংনা মমুৎ তানা মাগী মাগী ওবজার্ভেসনশিং পীনখি।

ত্রেজরি অমদি ওপোজিসন বেঞ্চকী তোঙান তোঙানবা মেম্বরশিংগী ৱারোল তারবা মতুংদা হোমগী থৌসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা মীহাৎ অদু খ্বাইদগী চাওখত্তবা অমদি লুজদবা ক্রাইমনি, পূন্নমক্না কন্দেম তৌফম থোকই। এন এস সী এন (আই-এম) অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ঈং-তপ্পগী ৱারী শানরিবা লূপ অদুগী মীওইশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্না চপ চানা ৱায়েনবা য়ানবা শিন্নহল্লক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা চে ইবতা নত্তনা মহাক মশাগী মায়কৈদগীসু কন্না তকশিল্লি হায়খি।

কেস অদু সী বি আইদা শিন্নবগী মতাংদা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কীদি কেবিনেট দিসিজন লৌবগী মথক্তা মথৌ তাবা ওর্দর পূম্বা থোকখ্রে। অদুমকপু ফোর্মেলিটি খরা ৱাৎপনা সী বি আইনা কেস অদু লৌদ্রি। সী বি আইগী দিরেক্টরগা ৱারী শানবদসু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসতগী ক্লিয়ারেন্স হেক ফংলবা অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেলনা নোটিফিকেসন হেক থোকপগা কেস অদু খুদক্তা লৌরগনি হায়না খঙহল্লক্লে।

ডা. কিষন অমদি লৈখিদ্রবা ষ্টাফ অনীগা পূন্না ফাম্মিন্নখিবা অতোপ্পা মীওই অহুম অদু হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চত্থরিবনা ৱাফম লোইনমক হায়দোকপা য়াদ্রি। মদুগী মতমসু লাক্কনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সিজ ফয়ার তৌনরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গী গ্রাউন্দ রুলস অসি মণিপুরদা য়ৌদে, নাগালেন্দ মনুং খক্তদা চৎনগদবনি। তোঙান তোঙানবা সেক্সন কয়াদগী আই এমগী দেজিগনেটেদ কেম্প মফম অসিদা লৈ হায়রিবদু মণিপুর লৈঙাক্না অমত্তা মশক খঙদে। ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন খূৎয়েক পীনদুনা ঈং তপ্পগী ৱারী শানবদা য়ারবা কুকি লালহৌলূপশিংখক্তগী ওইগদবনি। অতৈগীদি অমত্তা লৈবা য়ারোই হায়খি।

লূপ অদুগী সিরোই কেম্পকী মতাংদা পল্লদুনা, মণিপুর লৈঙাক্না খূৎ থারগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসতা খঙহনবদা সিরোই কেম্প অথুবদা তকথোকখিবনি। আই-এমগী কেদর ৫ এ আরনা ফারগা পুলিসতা শিন্নরকখিবা অদু গ্রাউন্দ রুলস থুগায়রকপদগী থবক লৌখৎপা হৌবগী খুদমনি হায়খি।

মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক শেন্দুনা থম্বনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী খ্বাইদগী মরুওইবা থবকনি হায়রদুনা আইন থুগায়রকপশিংদি চীংগীনি, তমগীনি হায়বা খায়দনা 'লোইনমক ইলিমিনেট' তৌগদবনি। তম্পাক্তা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সিগী থবক কল্লগা চীংদা নেগ্লেক্ট তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়খি। উখ্রুলগী দি সী সঙ্কজ কুমার পাল অমদি এস পি দোর্জিবু মণিপুর লৈঙাক্না সস্পেন্দ তৌখিবা অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা প্রাইমাফেসি ইভিদেন্স অমত্তা লৈতনা ইনিদয়ান সার্ভিসকী ওফিসর অনীবু হেক্তা সস্পেন্দ তৌরিবা করিগীনো হায়না হংলকখিবা লৈ। অদুমকপু মখোয়না মথৌদা খোয়জংদবা কয়া অদুনা সস্পেন্দ তৌবনি। ফাইন্দিং অমা লাক্লবা মতমদা ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর চত্থবা হায়বনচিংবসু মথন্তা অদুমক লাকচগনি হায়খি।

মীহাৎ অদুগী মতাংদা মোসন অদু পুখৎখিবা এম এল এ ও জয়না হায়খিবদা মীহাৎ অদু মণিপুরগী ক্রাইমগী হিষ্টোরিদা য়াম্না তোপ তোপ্পা মীনুংশি য়াওদবা অমদি অকিবগী মশকনি। পূন্না মীওই ৬ ফাখিবগী মনুংদা মীতৈ ৩ হাৎলগা মীতৈ নত্তবা ৩ অমনা হাৎত্রিবা করিগীনো হায়বসি মীয়ামগী থম্মোয়দা ফুমদুনা লৈরিবা অমদি খঙনীংলিবা ৱাফমনি। মদু কম্যুনেল ওইবা থৌদৌ নত্তবরা হায়না হংখি।

মীহাৎ অদুদা চেন্নবশিংবু ফ্রীদা থাদোক্তুনা থম্মী হায়না মণিপুর লৈঙাক্তা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা লো অমদি গভর্ণেন্স কয়াদা চৎখ্রে হায়না মীয়াম্না হংলিবসি মশানা হংফম থোকপনি হায়খি। মখোয়বু মণিপুর লৈঙাক্তা শিন্নহল্লক্তুনা চপ চাবা চৈরাক পীফম থোকই। মদু নত্তদনা কনাগুম্বনা মখোয়না ৱায়েল চত্থজগে হায়রক্লবদি মদু ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্দা ইকায়বা পীবনি, য়াফম থোক্তে। মীহাৎ অদু সী বি আইদা শিন্ননবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবা নুমিৎ অদুদা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিনবা হৌহনখিবা অদু কয়াম কান্নবা পুরক্কদৌরিবগে হায়নসু হংখি। লোয়ননা দিল্লিগী স্পিসিএল পুলিস ইষ্টাব্লিসমেন্ট এক্ট, ১৯৪৬কী সেক্সন ৫গী মখাদা নোটিফিকেসন থোক্ত্রিবনা সী বি আইনা কেস লৌরোই হায়খি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবা ষ্টাফ ৩গী ঈ-পাউ, জবান অমত্তা হায়দোক্তবনা মীয়ামদা চমম্নবা পোকহল্লে। মীহাৎ অদু লৈঙাক্না নমশিন্দুনা থম্লগা বাইয়স ওইবা থৌওং ওইনা চত্থরকপা তারবদি মতম অমদা হেক্তা মীয়ামগী পেন্দবশিং পোকখায়রকপা য়াই। মদু থোক্তনবা মীহাৎপশিং মণিপুর লৈঙাক্তা শিন্নহন্দুনা চপ চাবা ৱায়েল চত্থবা য়ানবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনসি। হাওসতা মত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌসি হায়খি।

ওপোজিসনগী লুচিংবা এম এল এ শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্না লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন পেরালাইজ ওইবনা মতম চানা থিংবা ঙম্বা থবক্তু থিংবা ঙমহৌদবনি হায়না মরাল শিখি।

দিস্কসন অদুদা এম এল এশিং এন জি বিজয়, আই ইবোহনবী, ডা. খাসিম রুইভা, মোরুং মকুঙা, এন মঙ্গি, আর কে আনন্দ, দেপ্যুটি স্পিকর টি ঐচ শ্যামমুকার, মিনিষ্টর কে রঞ্জিৎনচিংবসু ৱা ঙাঙখি।

*মার্চ ২৩, ২০০৯ :* সেক্যুরিটিনা খুরক হাংদনা ঙাক শেল্লিবা ইম্ফালগী থাঙ্গাল বজারদা ঙসি নুংথিল শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা দুকান মপূ অমা মহাক্কী দুকানমক্তদা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে। থৌদোক অদু থোকখিবা মতুং ইকান কান্নদনা কাংজাবী লৈরক মৈনম লৈকায়দা কম্মান্দোগা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা নহা অনী শিখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৬.২০ লোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শুগুনু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তোন্সেন লমখায়দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো টিম অমগা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা মীওই অমা শিরে। মঙোন্দগী নাইন এম এমগী পিষ্টল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূ অহুম ফংই হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

থাঙ্গাল বজারগী থৌদোক অদু নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা দুকান অদুদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওই খরা লাকখি। মখোয়গী মরক্তগী অমনা দুকান মনুংদা চঙলক্লগা দীপক গুপ্তদা ময়েক মরিগী চে অমা ফংলব্রা হায়না হংবগা লোয়ননা মিনট খরা ৱারী শানখি। ঙাইহাক ৱারী শানরবা মতুংদা শকখঙদবা নহা অদুনা ইখঙ খঙহৌদনা নোংমৈ মচা অমা শত্তোক্লগা দীপক্কী য়েৎথংবা খজাইদা কাপশিনখি। নোংমৈ কাপ্লন্নবা মতুংদা মীওই অদু মখোঙনা চৎখি অদুগা মায়কৈ খঙদনা মাঙখি।

শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপ্লম্বা মতম অদুদা দুকান অদুদা দীপক গুপ্ত মমান্নবা অমা অমসুং সেলসমেন অহুমগা লোয়ননা লৈখি। দুকান অদুদা লাকখিবা খূৎলায় পায়বশিং অদু পূন্না মীওই অহুমনি হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লবা দীপক গুপ্ত খুদক্তা রিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুবু রিমস য়ৌবগা দোক্তরনা শিরে হায়না লাউথোকখি। মহাক্কী য়েৎথংবা খজাইদা পানবা মরূ অদু ফাওদোকপা ঙমদনা লৈখি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। হয়েং পোষ্ট মোর্টেম তৌগনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিং য়াওনা সেক্যুরিটিগী মীওই ময়াম অমা থোমজিল্লক্তুনা থাঙ্গাল বজার পুমকোয় কোয়শিনখি। অদুগা বজার মনুংদা লৈরম্বা নহা পূন্নমক হোইদোক্লগা লম্বীদা পরেং লেপহন্দুনা ভেরিফিকেসন তৌখি। বজারদা ওপরেসন চত্থরিঙৈ মনুং অদুদা নাগামপাল কাংজাবী লৈরক্তা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো খূৎপু অমগা নোংমৈ কাপ্পবনি হায়বা থৌদোক্তা নহা অনী শিখি।

থৌদোক অদু নুংথিল পুং ৩.৫৫ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদগী নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৩, পিন নান্থোক্লবা হেন্দগ্রেনেদ অমা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফন্দ রাইজিং ইন চার্জ, পামেন মৈতৈনা খূৎয়েক পীবা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ, কে সী পিগী দিমান্দ লেট্টর কোপি ৩ ফংই হায়রি।

*মার্চ ২৩ :* ঙসি নুংথিল পুং ৩.৫০ রোম তাবদা কাংজাবী লৈরক মৈনম লৈকায়দা থোকখিবা থৌদোক অদু পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পবনি হায়রবসু থৌদোক অদু হকথেংননা উহৌবনি হায়বী নুপী অমনদি নোংমৈ কাপ্পবা নত্তে ফাদুনা পুরক্লগা গাড়ীদগী চিংথরগা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসিবু হকথেংননা উহৌই হায়রিবী নুপী অদুদি থিংনাম শকহেনবী (৭০) মপূরোইবা লৈখিদ্রবা মোধুনি। কাংজাবী লৈরক মৈনম লৈকায়দগীনি। মহাক লৈখিদ্রবা এস দি ও কিষনগী মমাবোকনি। ঙসিগী থৌদোক অদু মহাক্কী য়ূমগা য়াম্না নক্লনা থোকখিবনি।

ঙসিগী মীহাৎ অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈকায়গী মীওইশিংনা নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা ৱাকৎ মীফম ফমখি। হায়রিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা থিংনাম শকহেনবীনা নহা অনী অদু ফাদুনা পুরক্লগা ফমহল্লগা কাপ্তুনা হাৎপনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱাফম অসি কোর্ট কানরফাওবদা হোংবা লৈরোই হায়বগী অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখি।

*মার্চ ২৪ :* ঙরাং শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা নহা খরনা থাঙ্গাল বজারদা লৈবা জনতা রেদিও সেন্স এন্দ সার্ভিসকী প্রোপ্রাসটর দীপক গুপ্তবু কাপ্তুনা হাৎলম্বা অদুবু য়ানীংদবা উত্তুনা ঙসি ইম্ফালগী থাঙ্গাল বজারদা লৈবা দুকানশিং থোঙ লোনখ্রে অমদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলসু পোৎফম ফম্নখিদ্রে।

অমরোমদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ রাধাবিনোদ কোইজম্না বজার বোর্দকী মীহুৎশিং অমসুং দুকান্দারশিংগা উনদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে। মফম অদুদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এম এল এ রাধাবিনোদ কোইজম্না, ইম্ফাল সহর ময়োল মক্তদা মীহাৎ মীপূন চত্থরকপা অসি ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ফৎত্রে অমদি লৈবাক অসি মপূ পান্দ্রে হায়বা তাকপনি হায়না মরাল শিখি। লোয়ননা অতোপ্পা থৌদোক কয়া থোকখিবা অদুসু নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।